# লিবিয়াদগী য়ু এসকী ট্রুপশিং লৌথোকখ্রে
# প্রাইম মিনিষ্টর অল-সেরাজনা ট্রিপোলি ঙাক্কনি হায়খ্রে



ট্রিপোলি, এপ্রিল ০৮(এজেন্সি):
লিবিয়াগী কেপিটেল ট্রিপোলিদা য়ু এননা শৌগৎপা প্রাইম মিনিষ্টর ফাইয়েজ অল-সেরাজকী ফোর্সশিং অমসুং রেবেলশিংগী মরক্তা লান কনখৎলক্লিঙৈদা য়ু এসকী ট্রুপশিংগী কন্টিঞ্জেন্ট অমা লৈবাক অদুদগী লৌথোকখ্রে হায়না অফ্রিকাগা মরী লৈনবা অমেরিকাগী টোপ কম্মান্দর অমনা ফোঙদোকখ্রে।

চৈরকসিদা রেবেল ফোর্সশিংনা নোংপোক্লোমদগী কেপিটেলোমদা চঙশিল্লকখিবগা লোয়ননা য়ু এননা শৌগৎপা লিবিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর ফয়েজ অল-সেরাজনা ট্রিপোলি ঙাক্কনি হায়না নোংমাইজিং নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

য়ু এননা শৌগৎপা লৈঙাক অসিনা ফোঙদোকখিবদা হৌজিকফাওবদা কেপিটেল মনাক্তা শোক্লবা লান্দা মীওই ২১ শিখ্রে, ২৭না অশোক-অপন নংখ্রে। মালেমগী কল্লবা লৈবাকশিংনসু লৈবাক অদুদগী মখোয় মখোয়গী পর্সনেলশিং হোন্দোকপা হৌখ্রে। লিবিয়াদা হৌজিক লৈরিবা সিক্যুরিটিগী ফিভমশিং নোংম-নোংমগী লুশিল্লকপা অমদি তম্বা ঙমদবগী ফিভম হেনগৎলক্লি হায়না মেরিন কোর জেনরেল থোমাস ৱালহাউসর, হেদ ওফ য়ু এস অফ্রিকানা নোংমাইজিং নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, লৈবাক অদুদা লৈরিবা য়ু এস ফোর্সশিংনা অনৌবা লাল্লোং অমগা লোয়ননা য়ু এসকী হৌজিক চৎনরিবা ষ্টেট্রেজি অদু মখা তানা ঙাক্লবা হোৎনকিগনি।

হৌজিক ওইরক্লিবা সিক্যুরিটিগী ফিভমশিংগী মতুং ইন্না অফ্রিকোম শৌগৎপা য়ু এস ফোর্সশিংগী কন্টিজেন্ট অমা মতম খরগী ওইনা লিবিয়াদগী লৌথোক্লগনি। ঐখোয়না গ্রাওন্দা লৈরিবা সিক্যুরিটিগী ফিভমশিং মখা তানা মোনিটর তৌখিগনি অমসুং মফম মতমগী মতুং ইন্না য়ু এস ফোর্সশিং অমুক হন্না পুশিল্লকপা য়াবগী ফিভমশিং খন্নখিগনি হায়না য়ু এস অফ্রিকা কম্মান্দনা ত্বিট অমদা ফোঙদোকখি।

ইটালিয়ান মল্টি নেসনল ওইল অমসুং গ্যাস কম্পেনি ঈ এন আইনসু লৈবাক অদুদগী কম্পেনিগী পর্সনেল পুন্নমক হোন্দোক্লবা ব্রারেপ লৌখ্রে। য়ু এসগী ওইনসু লিবিয়াদা লৈরিবা নন-ইসিএসিএল ষ্টাফ পুম্বা লৌথোক্লগনি হায়রি।

হৌখিবা চয়োলদা লিবিয়াগী নোংপোক থংবা শরুক কন্ট্রোল তৌরিবা লিবিয়ান নেসনল আর্মি (এল এন এ)গী কম্মান্দর জেনরেল খালিফ হাফটরনা ট্রিপোলিদা লৈরিবা লৈঙাক্তা এটেক্ট তৌনবা মহাক্কী ফোর্সশিংদা য়াথং পীখিবদগী লৈবাক অদুদা টেন্সন হেনগৎলকখিবনি। লিবিয়ন নেসনল আর্মিগী পান্দমদি মালেমনা শকখঙবা ট্রেপোলিদা লৈরিবা নেসনল একোর্দ (জি এন এ) গী লৈঙাক চিংথুবনি।

লিবিয়াদা হৌজিক ওইরক্লিবা ফিভমদুগী মতাংদা য়ু এস সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট মাইক পোম্পিওনা নুংনাংবা ফোঙদোকখ্রে অমসুং জেনরেল হাফটরকী খোঙথাং অদুবু কন্দেম তৌখ্রে। অমরোমদা, লিবিয়াগী য়ু এননা শৌগৎপা প্রাইম মিনিষ্টর ফয়েজ অল-সেরাজনা ট্রিপোলি কনগনি হায়না নোংমাইজিং নুমিত্তা চেৎনা ফোঙদোকখ্রে। টিলিভিজনদা ৱা ঙাঙলদুনা প্রাইম মিনিষ্টর অল-সেরাজনা জেনরেল খালিফা হাফটর অমসুং মহাক্কী লিবিয়ন নেসনল আর্মিনা কু অমা পাঙথোক্লবা হোৎনরি হায়না মরাল শীখিবগা লোয়ননা হাফটরগী ট্রুপশিং থৌনা ফৰবা লৈঙাক্কী ট্রুপশিং মায়োক্লগনি হায়খ্রে।

# ৱেষ্টর্ন অফঘানিষ্টানদা লৈঙাক্কী ফোর্সেসনা মিলিটেন্ট
# ৯৯ হাৎখ্রে, টালিবানননা অফঘান গ্রুপ ১২ হাৎখ্রে



কাবুল, এপ্রিল ০৭(এজেন্সি):
অফঘানিষ্টানগী বাদঘিস প্রোভিন্সতা শোক্লখিবা অকনবা লান্দা য়ামদ্রবদা টালিবান ফাইটর ৯৯ শিখ্রে অমদি অফঘান ট্রুপ ১২ না টালিবানননা হাৎখ্রে হায়না দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

বাদঘিস প্রোভিন্সকী অলা-মুরঘাব দিষ্ট্রিক্টতা হৌখিবা থাংজদগী লান কন্না শোক্লরকখিবগা লোয়ননা লালহৌবা ২৫ অমসুং সিক্যুরিটি পার্সনেল ৩৪ সু অশোক-অপন নংখ্রে হায়রি। হৌখিবা এপ্রিলদা টালিবাননা দিষ্ট্রিক্ট অদুগী সিক্যুরিটি চেকপোইন্ট কয়াদা থোমজিনখিবা মতুংদা মফম অদুদগী টালিবান ফাইটরশিং তকথোক্লবা হোৎনরদুনা লৈঙাক্কী ফোর্সশিংনা থাংজ নুমিত্তা মিলিটেন্টশিংগী মায়োক্তা অচৌবা কাওন্টর-এটেক্ট অমা হৌখিবনি। টালিবাননা মীচমশিংগী য়ুম-কৈশিংবু মখোয়গী ফাইটিং পোজিসনশিং ওইনা শীজিন্নবদগী মীচমশিংদা মীশি-মীনা থোকহন্দনবগীদমক্তা সিক্যুরিটি ফোর্সশিং মখোয়গী হেদ ক্বার্টরসতা হল্লক্লে অদুবু হৌজিকসু মচি-মচিদা লান কন্না শোক্লরি হায়না দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী ষ্টেটমেন্টনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

টুর্কমেনিষ্টানগা লোন্ননা লৈরিবা বাদঘিস প্রোভিন্সকী বালা-মুর্ঘাব দিষ্ট্রিক্ট অসি ষ্ট্রেটেজিক্কী ওইনা মরু ওইবা মফমনি হায়না লৌনৈ। দিষ্ট্রিক্ট অসিনা লৈবাক অদুগী নোংচুপ অমসুং অৱাং-নোংচুপ থংবা প্রোভিন্সশিংগা শম্নরিবনি।

দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, টালিবান টেররিষ্ট ৯৯ হাৎখিবা ওপরেসন্দা লান্মী ১০ অমসুং পুলিস ২৪সু অশোক-অপন নংখি। দিষ্ট্রিক্ট অদুদা মিলিটেন্টশিং তকথোকপগী ওপরেসনশিং মখা তানা চথরি। লোয়ননা লানফম অদুগী লৈমায়দা তারিবা টালিবান ফাইটরশিংগী অশিবা হকচাংশিং রেদ ক্রোসকী ৱার্করশিংনা হোন্দোকপদা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনসু মতেং পাংখি হায়না দিফেন্স ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখি।

বাদঘিস প্রোভিন্সিএল কাওন্সিলগী মকোক অব্দুল অজিজ বেগনা দিষ্ট্রিক্ট অদুদা হৌজিক ওইরক্লিবা ফিভম অদু লুই অমসুং রিইনফোর্সমেন্টশিং কৌখ্রে হায়না ফোঙদোকখি।

পনবা য়াই, হৌখিবা চয়োলগী অরোইবা শরুক্তা অফঘান অমসুং য়ু এসনা লুচিংবা কোলিসন এয়রক্রাফনা গ্রাওন্দ ফোর্সশিং শৌগৎলদুনা এয়রষ্ট্রাইক কয়া পাঙথোকখিবনি। টালিবানগী মায়কৈদগী গর্ভর্নমেন্ট চেকপোইন্টশিংদা পরিং নাইনা কোওর্দিনেটেদ এটেক্টশিং চথদুনা লৈঙাক্কী ট্রুপ ১২ হাৎখ্রে হায়না ক্লেম তৌখ্রে।

মিলিটেন্টশিংনা এটেক্ট অদু য়েনিংথা মতমগী ওফেন্সিভকী মাওইননা চথখিবনি। খ্বাইদগী ইনৌ নৌবা লান অসি অফঘানিষ্টানদা টলিবানগা পিছ দিল অমা পুরক্লবা হোৎনবগী থৌদাং শীন্নরিবা য়ু এসকী এনভোই জলমে খালিলজাদনা লৈবাক অদুদা লৈরিঙৈদা থোক্লকখিবনি। অফঘানিষ্টানদা মহাক্না নেসনল লিদর অমসুং ষ্টেকহোল্ডর কয়ানা ৱারী শান্নখ্রে। মহাক লাক্লিবা নুমিৎ খরনি অসিদা কটরদা চত্তুনা টালিবান অমসুং অফঘান ওফিসলশিংগা উনরবা য়াই হায়রি।

# মীখল নুমিত্তা ৱেষ্ট বেঙ্ক, গজা ক্রোসিংশিং থিংজিল্লগনি




জেরুসলেম, এপ্রিল ০৮(এজেন্সি):
ইজরেলগী জেনরেল ইলেক্সন নুমিৎ লৈবাকপোকপা নুমিৎকী মাঙওইননা ওকুপাইদ টেরটোরি ৱেষ্ট বেঙ্ক অমসুং গজা ষ্ট্রিপতা চঙথোক-চঙশিন য়াবা বোর্দর ক্রোসিংশিং আর্মিনা থিংজিল্লগনি হায়না ইজরেলগী ওথোরিটিশিংনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা লাউথোকখ্রে।

ইজরেলগী পব্লিক ব্রোদকাষ্টর কানগী মতুং ইন্না কুমজা ২০০৭ তগী ইজরেলনা ব্লোকেদ থল্লকখিবা গজাদা চঙনবগী ক্রোসিংশিং অমসুং ৱেষ্ট বেঙ্ককী জুদিয়া অমদি সমারিয়া নিংথৌকাবা নুমিৎকী অহিং নোংয়াইদগী থিংজিনবা হৌরগনি। ক্রোসিংশিং অদু মীখল লোইরবা মতুং য়ুমশকৈশা নুমিত্তগী মহৌশাগী ফিভমদা হঞ্জিল্লক্কনি হায়না ইজরেলগী ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

ইজরেলনা গজা ষ্ট্রিপ অমসুং ইজিপকী মরক্তা লৈরিবা রাফাহ ক্রোসিং নত্তনা পেলিষ্টিনিয়ন লমশিংদা ফাওজিনবা য়াবা ক্রোসিং খুদিংমক কন্ট্রোল তৌই। মহৌশানা ক্রোসিংশিং অদু খুৎ থোক্লবগী মতম নৎত্রগা পুরিম, পাসওভর নৎত্রগা জ্যুৱিস লাইনিংদা খ্বাইদগী শেংবা নুমিৎনি হায়না থাজনরিবা য়োম কিপুরগুম্বা জ্যুৱিস হোলিদেশিংগী মতমদা হেক হেক থিংজিল্লি।

হৌখিবা থাংজ নুমিত্তা ইজরেলগী প্রাইম মিনিষ্টর বেঞ্জামিন নেটনয়াহুনা করিগুম্বা মীখল অসিদা মহাকপু মঙাশুবা টর্ম অমগসু পায়নবা থাগৎলকপা তারবদি ৱেষ্ট বেঙ্ককী শরুকশিংদসু ইজরেলি সোভরেন্টি য়ৌহনগনি হায়না ফোঙদোকখিবনি।

নেটনয়াহুনা হায়খি মদুদি, কুমজা ১৯৬৭কী লান্দা ইজরেলনা লৌশিনখিবা লমশিংবু পেলিষ্টিনিয়নশিংগা য়ানখিবা নিগোসিএটেদ সেট্লমেন্ট অমগী শরুক ওইনা খন্নদুনা লাকখিবা ইজরেলনা মতম শাংনা ইল্লকখিবা পোলিসি লোইশিনগদবা খোঙথাং কয়া লৌখৎনবা মহাক্না থৌরাং তৌরি। প্রাইম মিনিষ্টর নেটনয়াহুনা ৱেষ্ট বেঙ্ক কন্ট্রোল তৌনবগী খোঙথাং অদু মহাক্না য়ু এসতা জেরুসলেম সিটিবু লৈবাক অদুগী কেপিটেল ওইনা শকখঙহনখিবগা লোয়ননা ইজরেলগী সোভরেন্টি গোলান হাইটস ফাওবা য়ৌহনখিবা মতুংদনি।

হৌখিবা চহী খরা অসিদা নেটনয়াহুনা কুমজা ১৯৬৭কী লান্দা ইজরেলনা লৌশিনখিবা লমশিংগী মতাংদা অকনবা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্তুনা লাকখি।

ইজরেলগী মশা ঙাকথোকচনবা শোক্লখিবা লান অমদা লৈবাক অসিনা পায়শিনখিবা লমশিং অমুক হন্না হন্দোক্লিংঙাই ওইদে হায়না মহাক্না হায়খিবনি। ইজরেলি সোভরেন্টি অমসুং সিভিল লো চৎনহনবা নৎত্রগা খুদক্তা লম লৌশিনবগী খোঙথাং লাকপা তারবদি মদু ৱেষ্ট বেঙ্কতা লৈরিবা পেলিষ্টিনিয়ন মিলিয়ন অহুমলোম অমসুং অরাব লৈবাক অয়াম্বনা কন্না য়ানিংদবা উৎলক্কনি হায়না থাজনরিবনি।

# য়ুগন্দাদা ফাখিবা য়ু এস টুরিষ্ট, টুর গাইদ পুলিসনা কনখ্রে



কাম্পালা, এপ্রিল ০৮(এজেন্সি):
য়ুগন্দাগী ক্বিন এলিজাবেথ নেসনল পার্কতা হৌখিবা এপ্রিল ২ দা খুৎলায় পায়বশিংনা ফাখিবা অমেরিকন টুরিষ্ট নুপী অমা অমসুং মহাক্কী টুর গাইদ সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা কল্লে হায়না গভর্নমেন্ট স্পোক্সপার্সন অমনা ফোঙদোকখ্রে।

মখোয় অনীমক দেম্মক্রেটিক রিপব্লিক ওফ কোঙ্গোদগী রেস্ক্যু তৌখিবনি। লোয়ননা মখোয় য়ুগন্দাগী কনুঙ্গু দিষ্ট্রিক্টতা তেক্ত-কায়দনা হল্লক্লে হায়না সী এন এননা স্পোক্সপার্সন ওফৰোনো ওপোন্দোগী ৱারোল পল্লদুনা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না হায়খি মদুদি, অমেরিকান টুরিষ্ট অমসুং মহাক্কী গাইদ অদু হৌজিক লোদজদা তেক্ত কায়দনা য়ৌরক্লে। মহাক নিংথৌকাবা নুমিত্তা য়ুগন্দাগী কেপিটেল কাম্পালা য়ৌখ্রগনি। কিদনেপ্পরশিং অদু লো এনফোর্সমেন্ট ওফিসরশিং অমসুং লানমীশিং চঙশিনবদগী কায়দুনা চেনখিবনি হায়রি।

পনবা য়াই খুৎলায় পায়বা গেং অমনা অমেরিকান টুরিষ্ট কিম্বরলি সু ইন্দিকোট অমসুং মহাক্কী টুর গাইদ অদু নেসনল পার্ক অদুদগী নোংমৈ চিংদোলদা কিদনেপ তৌদুনা দোলর ৫০০,০০০ গী থাদোকমল শেনফম অমা দিমান্দ তৌরক্লে হায়না য়ুগন্দাগী পুলিসনা হৌখিবা এপ্রিল ৪ দা ফোঙদোকখিবনি। পুলিসকী মায়কৈদগী শেনফম অদু পীরোই হায়নসু ফোঙদোকখিবনি।

তৌইগুম্বসুং রেন্সম অদু ইন্দিকোট অমসুং মহাক্কী টুর গাইদ থাদোক্লবগীদমক্তা টুরিং কম্পেনি ৱাইল্ড ফন্টিয়র্স য়ুগন্দানা পীখি হায়না সোর্স অমনা নোংমাইজিং নুমিত্তা সী এন এনদা ফোঙদোকখি।

টুরিষ্ট অমসুং মহাক্কী গাইদ শীন্নখিবদু ঈংনা চিক্না পাঙথোকখি হায়না সোর্স অদুনা মখা তাখি। খুৎলায় পায়বশিং অদুনা নুমিৎ অদুদা অতোপ্পা মীওই ৪ সু ফাখি। তৌইগুম্বসুং মখোয়না থাদোরক্লগা অমেরিকান টুরিষ্টতুগা লোয়ননা মহাক্কী গাইদ অদুদি মখা তানা ফাজিন্দুনা থমখিবনি।

য়ু এস ষ্টেট দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী রেস্ক্যুগী থবক অদু মখোয়সু তারে হায়না ফোঙদোকখ্রে। য়ু এস সিটিজন হোষ্টেজ অমা য়ুগন্দাগী সিক্যুরিটি ওফিসলশিংনা এপ্রিল ৭ তা কনবা ঙমখ্রে হায়বা রিপোর্টশিং ঐখোয়দা লাক্লে হায়না ষ্টেট দিপার্টমেন্টকী স্পোক্সপার্সন অমনা সী এন এনদা ফোঙদোকখি। তৌইগুম্বসুং মহাক্না মখা তাবা কমেন্ট পীখিদে। য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা নোংমাইজিং নুমিত্তা ত্বিটরগী ৱারোল অমদা মীওই অনী তেক্ত কায়দনা থাদোরক্লে তাবদা নুংঙাইবা ফাওই হায়না ফোঙদোকখি।

# পোপকোর্ন য়োনবা পাকিষ্টানি নুপা অমনা ময়ুমদা
# শাজবা প্লেন পাইনবগী পার্মিসন ঙাইরি



ইস্লামাবাদ, এপ্রিল ০৮(এজেন্সি):
পাকিষ্টানদা চুজাক কবোক য়োনবা নুপা অমনা ময়ুমদা মশানা শাজবা প্লেন পাইনবগীদমক্তা লৈবাক অদুগী সিভিল এভিএসন ওথোরিটিগী অয়াবা ঙাইরি। পুলিসকী মায়কৈদগী অয়াবা য়াওদনা প্লেন অদু পাইবদা অথিংবা পীরকপদগী নুপা অদুনা সী এ এগী অয়াবা লৌদুনা মশানা শাজবা প্লেন অদু পাইনবা হোৎনরকখিবনি হায়না নিংথৌকাবা নুমিত্তা ঈফে ন্যুজনা ফোঙদোকখ্রে।

মশাগী চহী ৩০ শুরবা নুপা অদু স্কুল তম্লিঙৈ মতমদগী এয়রফোর্সকী পাইলোট অমা ওইনিংবগী অমসুং প্লেন অমা পাইনবগী মঙলান অমা মঙলকখিবনি। অদুমওইনমক লারমনখিবনা মরম ওইদুনা মহাক মরক্তা স্কুল তম্বা লেপখি।

মোহমদ ফায়জ কৌবা পাকিষ্টানি নুপা অদুদগী পুলিসনা হৌখিবা মার্চ ৩১ দা লৌখৎখিবা মশানা শাজবা প্লেন এপ্রিল ৪ দা অমুক হন্না শীন্নরকখি। মহাক্কী খুঙ্গংগী মনাক্তা লৈবা মেটল লিঙ্ক রোদ অমবু রনৱে অমগুম্না শীজিন্নদুনা মশানা শাজবা প্লেন অদু পাইখৎনবা হোৎনবা য়ারোই হায়না অথিংবা পীদুনা পুলিসনা প্লেন অদু মঙোন্দগী পুখিবনি হায়রি।

ঐহাক্না নোংথক্তা প্লেনশিং পাইবা উবদা ইশামকসু পাইনিংবা পোকখি। মমৈথংদা শেম্বীবা মপুনা পীবিবা ৱাখল লৌশিং শীজিন্নদুনা ইশামক্কী প্লেন শারগা পাইরগে হায়বগী ৱাখল অমা ঐঙোন্দা লাকখি হায়না ফায়জনা ঈফে ন্যুজদা ফোঙদোকখি।

পঞ্জাব প্রোভিন্সকী পাকপটানদা লৈবা ফয়জনা বেঙ্ক লোন অমা লৌদুনা, মহাক্কী লম মচেৎ অমা য়োনদুনা অমসুং মহাক্না তুংশিঞ্জবা শেনফমশিংদগী প্লেন অদু শাবদা পাকিষ্টানি রুপিস ৯০,০০০ (দোলর ৬৩৬) লোম চাদিং তৌখি হায়রি।

মহাক্কী অঙাং ওইরিঙৈগী মঙলান অদু মঙফাওনহন্নবগীদমক্তা মহাক্না অয়ুক নুংথিলগী মতমদা চুজাক কবোক য়োনবগা লোয়ননা নাইট ৱাটচমেন অমা ওইনসু থবক তৌখি হায়রি।

ফায়জনা মহাক্কী প্লেন অদু চহী অমগী মমাঙদা মীঙোন্দগী টেক্নিকেলগী মতেং অমত্তা লৌদনা ময়ুমদা শাবা হৌখি। মশানা পাঙথোকচখিবা চাংয়েংশিংগী মতেংগা লোয়ননা মহাক্না এয়র প্রেসরগী রুলশিং অমসুং পাইবগী টেক্নিকশিং খঙবা ঙমখি। মহাক্কী চাংয়েংশিংদুগী মনুংদগী অমদি মহাক্না মঙাশুবা ষ্টেন্দার্দতা তমিন্লঙৈ অমদি মহাক্কী অপোকপগী মোটোর সাইকলগী সিটতা তোংদুনা চৎলিঙৈ মতমদা পাঙথোকখি হায়রি।

ফায়জনা নেসনল জিওগ্রাফিক চেন্নেলগী এয়র ক্রাস ইনভেষ্টিগেসন শো য়েংদুনা প্লেনশিংনা করিগীদমক্তা কায়রিবনো হায়বগী মতাংদা অমসুং এয়র ক্রাফ অমগী তোঙান তোঙানবা শরুকশিং অমসুং মখোয়গী ফঙ্কসনশিং খঙনবা হোৎনখি হায়রি।

# ফিলিপিন্স অমসুং য়ু এসনা পুন্না ড্রিল পাঙথোক্লিঙৈদা
# রসিয়াগী জহাজশিং মানিলা হিথাংফমদা থুংখ্রে



মানিলা, এপ্রিল ০৮(এজেন্সি):
ফিলিপিন্স অমসুং য়ু এসকী মরক্তা চহীগী ওইবা অপুনবা বালিকাটান এক্সরসাইজশিং পাঙথোক্লিঙৈ চৈরক্তা রসিয়াগী দিষ্ট্রোয়র অনী অমসুং টেঙ্কর অমা মানিলাগী হিংথাংফমদা নিংথৌকাবা নুমিত্তা থুংখ্রে হায়রি।

ফিলিপিন্স ন্যুজ এজেন্সিগী মতুং ইন্না ফিলিপিন্স অমসুং য়ু এসকী মরক্তা পাঙথোক্লিবা অপুনবা নেভেল এক্সসাইজ অদু এপ্রিল ১২ দা লোইগদবনি। অচৌবা এন্টি-সবমেরিন সিপশিংনি হায়না ক্লাসিফাইদ তৌখ্রবা এদমিরেল ট্রিবুটস অমসুং ভিনোগ্রাদোভ কৌবা দিষ্ট্রোয়র অনীগা লোয়ননা এদমিরেল ইর্কুট কৌবা অচৌবা সি টেঙ্কর অমা মানিলা হিথাংফমদা খামখিবগা লোয়ননা রসিয়ন পেসিফিক ফ্লিটকী নুমিৎ মঙানিগী ওইবা মরুপ-মপাং ওইবগী খোঙচৎ হৌখ্রে হায়না ফিলিপিন্সগী ন্যুজ এজেন্সিনা ফোঙদোকখ্রে।

রসিয়ন ভেসেলশিংনা চহী অসিদা ফিলিপিন্সতা থুংলবসি হন্দক্কী অসিনা অনীরকশুবনি। হৌখিবা জন্যুৱারিদা রসিয়ন নেভিগী জহাজ অহুম মানিলাদা থুংখি। মদু লমদম অদুদা মরা তপ্পা, তং তাবা অমসুং মেরিটাইম কোওপরেসন হেনগৎহন্নবগী পান্দমদা লাকখিবনি।

রসিয়া অমসুং ফিলিপিন্সনা লাক্লিবা জুলাইদা নেভেল কোওপরেসন এগ্রীমেন্ট অমা খুৎয়েক পীনগনি হায়না থাজনরি। মদুদা জোইন্ট ট্রেনিং এক্সাইজশিং হেন্না পাঙথোকপা অমসুং অমনা অমদা ভিজিট তৌবা হেনগৎহনবগী ৱাফমশিং য়াওগনি হায়রি।

ফিলিপিন্স অমসুং য়ু এসকী মরক্তা চহীগী ওইবা বালিকাটান জোইন্ট এক্সাইজশিং পাঙথোক্লিঙৈ চৈরক্তা রাসিয়াগী লানগী জহাজশিং অদু থুংলখিবনি। জোইন্ট দ্রিলশিং অদুদা ট্রুপ ৭,৫০০ অমদি এফ-৩৫বি ষ্টিল্ঠ ফাইটরশিংনা শরুক য়ারি।

# রোয়েল কম্মিসন্না ক্রাইসচর্চ এটেক্টশিংগী মতাংদা থিজিল্লগনি



ৱেলিংটন, এপ্রিল ০৮(এজেন্সি):
মীওই ৫০ শিহনখিবা ন্যু জিলেন্দগী ক্রাইস চর্চতা লৈবা মোস্ক অনীদা হৌখিবা মার্চ ১৫ চথখিবা টেরর এটেক্টশিং অদুগী মতাংদা রোয়েল কম্মিসন ওফ ইনক্বাইরি অমনা মে ১৩ দগী থিজিনবা হৌরগনি হায়না ন্যু জিলেন্দগী প্রাইম মিনিষ্টর জসিন্দা আর্দননা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

এটেক্ট অদু চথরমদাইদা চপ চানা করি করি থোকখিবগে হায়বগী মতাংদা মপুং ফানা খঙবা ঙম্নবা হৌজিক হোৎনরিবা অসিদা রোয়েল কম্মিসননা মরু ওইবা থৌদাং অমা লৌরগনি। অসিগুম্বা কম্মিসনগী থৌদাং অসিনা মখা তানা টেরর এটেক্ট অমা থোকহন্দনবা হোৎনবদা শোয়দনা মতেং পাংলগনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর আর্দননা ৱেলিংটনদা ন্যুজ কনফরেন্স অমদা ফোঙদোকখ্রে।

ব্রেন্টন তেরান্ট কৌবা ওষ্ট্রেলিয়া মচা অদু ক্রাইস চর্চকী অল নুর মোস্ক অমসুং লিন্বুদ ইস্লামিক সেন্টরদা লাই খুরুম্লিবা মীওই কয়া নোংমৈনা কাপ্তুনা পাত্তননা হাৎপগী থৌদোক থোকখ্রবা মতুং মতম শাংনা কান্নদনা ফাখিবনি। মহাক হৌজিক মী হাৎপগী চার্জ ৫০ অমসুং মী হাৎনবা হোৎনখিবগী চার্জ ৩৯গা লোয়ননা কষ্টিদিদা লৈরিবনি। মার্চ ১৫ গী এটেক্ট অদু করম্না থোকখিবনো। মদু থিংনবা করি থবকশিং পায়খৎলম্বা য়াবগে অমসুং করম্না ন্যু জিলেন্দগী মীয়াম্বু অশোয় অঙাম থোকহন্দনা হিংবা য়াহনগদগে হায়বগী মতাংদা য়াম্না থুনা খঙবা ঙম্নবা লৈঙাক্না হোৎনগনি হায়না আর্দননা ফোঙদোকখি।

# নিশানগী স্যেরহোল্ডরশিংনা ঘোসন লৌথোকপদা য়ানখ্রে



টোকিয়ো, এপ্রিল ০৮(এজেন্সি):
নিশান মোটোর কোগী হৌজিক ফাদুনা লৈরিবা হান্নগী চ্যেরমেন কারলোস ঘোসনবু কম্পেনি অসিগী বোর্দতগী লৌথোকপগী ৱাফম টোকিয়োদা নিংথৌকাবা নুমিত্তা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা স্যেরহোল্ডরশিংনা মোৎ অমত্তা ওইনা য়ান্নখ্রে।

খোঙথাং অসিগা লোয়ননা ঘোসননা জাপানগী কার মেকর অদুবু চহী ২০লোম চল্লাইরকখিবদু লোইশিল্লগনি হায়রি। নিশানগী স্যেরহোল্ডরশিংগী ৱারেপ অসিনা ফাইনান্সিল মিসকন্দক্টকা মরী লৈনবা চার্জ কয়া মায়োক্নরিবা কম্পেনি অসিগী হান্নগী চ্যেরমেন ঘোসন মখা তানা কম্পেনি অসিদা ফম অমত্তা পায়হল্লরোই হায়না ঈফে ন্যুজনা ফোঙদোক্লি। মহাক টোকিয়োদা অহানবা ওইনা ফারবা মতুং নুমিৎ হুম্নি কান্নরগা কুমজা ২০১৮ গী নভেম্বর ২২ দা কম্পেনিগী চ্যেরমেনগী ফমদগী লৌথোকখিবনি। তৌইগুম্বসুং মহাক স্যেরহোল্ডরশিংনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা মীফম পাঙথোক্ত্রিবা ফাওবদি বোর্দতা মখা তানা লৈরমখি। হান্নগী নিশানগী এগজিক্যুটিভ অমসুং ঘোসনগী এইদ গ্রে কেলিসু ফাবগা লোয়ননা মফম লৌথোকখ্রবনি।

অমরোমদা, রেনোলগী চ্যেরমেন জোন-দোমিনিক সেনার্দপু ঘোসনগী মহুৎ শীন্দুনা কম্পেনিগী দিরেক্টর হাপখ্রবনি। মীফম অদু টোকিয়োদা লৈবা হোটেল অমদা অয়ুক পুং ১০ রোম তাবদগী হৌখি। কম্পেনিগী প্রসিদেন্ট অমসুং সী ঈ ও হিরোটোনা প্রিসাইদ তৌদুনা মীফম অদু হৌখি।